# জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকীসু সরকারগা য়ান্নবা পুরকপা ঙমখিদ্রে এন ঐচ ৩৭ কী ইকোনোমিক ব্লোকেদ মখা চথরগনি

*-দিমান্দ কন্মিটি*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, আগষ্ট ৩০:*** জিরিবামবু মপুং ফাবা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট ওইহন্নবা হৌজিক খোঙজং চংশিল্লিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কন্মিটিগা মণিপুর সরকারগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নবদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদনা লোইশিনখ্রে। য়েথোক্লুরবা নেস্নেল হায়ৱে ৩৭ (এন ঐচ ৫৩)গী ইকোনোমিক ব্লোকেদ মখা চথরগনি হায়নাজিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কন্মিটিগী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি।

ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তাবা ফাওবদা চথখিবা ৱারী অদুদা সরকারগী মায়কৈদগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী, লোকেল এম এল এসু ওইরিবা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ দেবেন্দ্র, ৱার্ক্স মিনিষ্টর কে রঞ্জিৎ, আই এফ সি দি মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি ষ্টেট পানিং বোর্দকী দিপ্যুটি চেয়ারমেন বিজয় কোইজম চিফ সেক্রেটরিসু য়াওখি। লোয়ননা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কন্মিটিগী মায়কৈদনা চেয়ারমেন টি ঐচ জিনি দেবী অমদি কনভেনর এম মাইপাকসনানা লুচিংদুনা মেম্বর তরামাথোইনা শরুক য়াখি।

ৱারী শান্নবা অদুগী মতাংদা কন্মিটিগী কনভেনর এম মাইপাকসনানা হায়, ঙসিগী ৱারী শান্নবা অদুদা দিমান্দ কন্মিটিগী মায়কৈদগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনদি লমখৈগী চয়েৎনবা লৈতে। মরম অসিনা মীয়াম্মা তাল্লিবা দিমান্দ অসি অথুবদা পীথোকপীনবা তকশিনখি।

মদুদা সরকারগী মায়কৈদগী হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট রি ওর্গনাইজেসন কন্মিটি অমা চিফ সেক্রেটরিনা চেয়ারমেন ওইদুনা শেমখ্রে। মসিনা থা অহুমগী মনুংদা রিপোর্ট অমা থাগৎলক্লবা তুংদা লাউথোক্লবা হোৎনগে হায়খি।

দিমান্দ কন্মিটিনা সরকারগী ৱাফম অদুদা জিরিবামগী ওইনদি লমগী চয়েৎনবা লৈতে। মরম অসিনা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা রিওর্গনাইজেসন কন্মিটিনা সর্ভে লোইশিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসি লাউথোকপীয়ু। জিরিবামগী ওইনদি থা অহুম ঙাইবা হায়বসি মরম চাদে।

সরকারনা থা অহুমগী মতম পীরবসু লোকেল এম এল এ ওইরিবা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ দেমেন্দ্রনদি সি এমগী বীহাফতা থা অহুম মতম হায়জরবসু থা অমগী মনুংদা লোইবসু য়াই হায়খি। মদুদা দিমান্দ কন্মিটিনা সরকারনা মদুগী অইবা চে ওইনা পীবিনবা হায়জখি। অদুবু সরকারনা মদু য়ারকখিদে।

জিরিবামদা লৈরিবা প্রজা মীয়ামগী অৱাবা য়েংবিদুনা সরকারনা পোজিটিভ ওইবা রেস্পোন্স অমা পীবিরক্কনি হায়বা থাজবনি অদুবু মদু সরকারনা ওইহনবীদ্রে।

ঙসি সরকারগা ৱারী শান্নবা অসিদা পোজিটিভ ওইবা ফল ফংদ্রবনিনা হান্না আগষ্ট ১৪ গী নুমিদাং পুং তরেৎ তাবা মতমদগী আগষ্ট ৩০ গী নুমিদাং ফাওবা ইম্ফাল জিরি লম্বী নেস্নেল হায়ৱে ৩৭ তা ইকোনোমিক ব্লোকেদ চথগনি হায়না তৌরম্বদগী য়েথোক্তুনা লাকখিবদু অথুবদা কন্মিটিগী মীফম পাঙথোক্তুনা ব্লোকেদগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়খি।

বন্দ ব্লোকেদনা লৈবাক মীয়ামদা চাওনা অৱাবা পী হায়বা দিষ্ট্রিক্ট দিমান্দ কন্মিটিনা খঙই অদুবু সরকারনা প্রজাগী অৱাবা খঙবীদবগী খোঙজংগী ফিরেপ অসি লৌরকপনি। মসিদা লৈবাক মীয়াম্মা মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট অমগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর স্কিমবু ওইরবসু, দিপ্যুটি কন্মিস্নারশিংগী খুত্থাংদা লাকপনি। জিরিবাম অসি ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবনা জিরিবামগী প্রজানা দি সি উন্নগে হায়রগদি লম্বী থোংগী ফিভম ফাওবা মরক্তা কি: মি: ২২০ শাঙনা লাকপা তারি। মসিনা প্রজাশিংগী মরক্তা খরদি দিপ্যুটি কন্মিস্নার মশক খঙদবা য়াওরে।

জিরিবাম সব দিভিজনদা লৈরিবা প্রজাশিং অসি চাওখৎ থৌরাংগী চাকথুং ফংদবা মতম শাংলক্লে। ইং ২০০৬ গী জেনরেল ইলেক্সনদা সি এমনা দিষ্ট্রিক্ট অসি খুদোংচাদবা খরদগী লাওথোক্তবনি অথুবা লাউথোক্লগনি হায়রম্লসু হৌজিকসু লাউথোক্তে। সরকারনা পীরিবা থা অহুমগী মতম অসি ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট লওথোরকপনা হানখ্রগদি পীদবা য়াবগী ফিভমদা লৈবনি হায়খি।